## ওফিস কারক্তবশিংগী লিষ্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭ (ঐচএন এস): পঞ্চায়ট ইলেক্সনগী মীংদা ঙসি লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং মশীং য়াম্না ওফিস কারক্তবগী রিপোর্ট অমা লাক্লি। হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিংনা ঙসি ওফিস কারক্তবশিংগী লিষ্ট পীখৎলক্কদবনি হায়না মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিনা ঙসি ওর্দর অমা থোকখ্রে।

চীফ সেক্রেটরিনা থোকখিবা ওর্দর অদুনা হায়, খুঙ্গংগী লমদা পাঙথোকপা পঞ্চায়ট মীখলগী মীংদা মশীং য়াম্লবা ইমপ্লোয়ীশিং ওফিস কারক্তবা থেংনরে। মখোয়গী মনুংদা খরা খক্তমক স্পেসল কেজ্যুয়েল লিভ থারম্মী। মথৌ লাকখিদবা ওফিসলশিংগী লিষ্ট অমা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিংনা পীখৎলক্কদবনি। বাইওমেত্রিক রেকোর্দ নৎত্রগা এটেন্দেন্ট রেজিষ্টরগী বেসিসতা থা অসিগী ৯ ফাওবগী মনুংদা লিষ্ট সেক্রেটরি জে এ দিদা পীখৎকদবনি হায়নসু ওর্দর অদুনা মখা তারি।

## পাউমীশিং চঙহনখিদ্রে

*লামায় ১গী মখা...* অদু কন্দেম তৌই হায়না এদিটর্স গিল্ড মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মফম অদুদা ঈরাং তৌবগী পাউ লৌবা চৎলুবা মতমদা রিপোর্টরশিংদা কিহল্লকপদা নত্তনা জর্নেলিষ্ট অমা ওইবগী মথৌ তৌবদা অপনবা পীরকখি। মসি মীদিয়া পর্সন্না মথৌ তৌবদা অপনবা পীবা, ফ্রিদম ওফ প্রেসতা শীংনবা থৌওংনি হায়না লৌই। হোম দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চংদুনা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলু।

লমদম অদুগী লোকেল লিদর অমদি ক্লবনচিংবশিংনা থৌওং অদুদা মরাল লৈবা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা জষ্টিস পুরক্নবা অমদি অসিগুম্বা থৌদোক অসি তুংদা থোক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## GAS TODAY

**ASHANGBI INDANE, SUGUNU**
**SL.NO. 13355**
Booking Upto:18/07/2017
Valid From:21/06/2017
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:09.00am to 11.00am

**ATHOKPAM INDANE (WANGJING & KHONGJOM)**
Booking Upto:22/06/2017
Valid From:27/05/2017
***Stk :612***
Timing:07.30am to 10.00am
*(Submit Aadhaar Xerox Copy)*

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking Upto:12/06/2017
Valid From:15/05/2017
***Stk :612 ( Only for CTC)***
Timing:07.00am to 10.30am

**JEMON GAS SINGJAMEI CHINGAMATHAK**
Booking Upto:08/05/2017
Valid From:26/04/2017
***Stk :800***
Timing:07.00am to 09.30am

**KHORIPHABA GAS, NAMBOL**
Booking Upto:03/05/2017
Valid From:28/04/2017
***Stk :612***
Timing:07.00am to 10.00am

**KHONGNANG GAS AGENCY NINGTHOUKHONG**
**SL NO. 1592**
Booking Upto:02/05/2017
Valid From:28/04/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**LEIBAKLEI GAS SERVICE, KAKCHING**
Booking Upto:20/06/2017
Valid From:20/05/2017
***Stk :918 (For CTC Consumers Only)***
Timing:07.30am to 11.00am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL.NO.7621-8760**
Booking Upto:24/06/2017
Valid From:16/06/2017
***Stk :612***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:23/05/2017
Valid From:15/05/2017
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:07.30am to 09.30am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**SL.NO. 12850**
Booking Upto:24/07/2017
Valid From:01/07/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**HIYANGTHANG INDANE**
**SL.NO. 6825**
Booking Upto:10/07/2017
Valid From:03/07/2017
***Stk :306, Rs.768.50***
Timing:07.00am to 10.00am

**KHURKHUL HEIKHAM INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto:10/08/2017
Valid From:10/07/2017
***Stk :306***
Timing:08.00am to 12.00am

# লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপ্তুগী ইশা কঞ্জনবা সেদ্যুল ত্রাইবকী দিমান্দ তৌবনি: নবশ্যাম

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭ (ঐচএন এস): মীতৈশিংনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (অটসুম) না অয়েৎপা পীরকখিবগী থৌওংবু শিংজমৈ এ সীদা মীরেপ ওইখিবা হৈক্রুজম নবশ্যামনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা থাখিবা চেরোল অমদা নবশ্যামনা হায়খি, মীতৈশিংনা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা অটসুমনা অঙন্বা থাক্তা অথিংবা পীগনি হায়রিবা ৱাফম অসি লৈবাক মচা তাদবা থৌওংনি। মীতৈশিং সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চন্নবগী ক্রাইতরিয়া শুদে অমসুং করিগুম্বা মীতৈনা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চনবা তারবদি ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীওই ফুরুপশিং থোং মান্ননা হিংমিন্নবা ঙম্লোই হায়বা অটসুমগী ৱারোল অমগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, মীতৈসু অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা সেদ্যুল ত্রাইব কাঙলুপকী ত্রাইবেলশিংগা চপ মান্নবা থাক্তা হিংলিবা ফুরুপ অমনি।

কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রবা মতুংদা মীশিং য়ামখিদ্রবা মীতৈশিংনা ঙাক্লৌ অমত্তা য়াওদনা মশীং য়াম্লবা ময়োল লমদমগী ইন্দিয়নশিংগা হীরম খুদিংমক্তা লম্বা পাদুনা লাক্লি। মসিগীসু মথক্তা মীতৈশিংগী মশাগী পোক্লফম ষ্টেটতা চপ চাবা সিটিজন অমগী ফংফম থোকপা রাইট ফঙহন্দ্রি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না মণিপুরগী অপুনবা লমগী চাদা ৯০ দা মীতৈশিং খুন্দাবা য়াহন্দে। মীতৈশিংনা খুন্দাবা য়ারিবা পীকখ্রবা তম্পাক্কী শরুক্তসু অথিংবা লৈতনা বাংলাদেশী, নেপালী অমদি মীতোপ কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকপদগী ফুরুপ অসি কাঙখুল মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

থৌওং অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অমদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মীতৈশিংবু হন্থনা য়েংবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ফুরুপ অমত্তনা অসিগুম্বা থৌওং অসি খাঙদুনা লৈবা ঙম্লোই। মীতৈশিংনা মশা হিংজনবগীদমক অঙন্বা থাক্তা মায়োক্লুবা মথৌ তাই। লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিংদগী মশা কঞ্জনবগীদমক খ্বায়দগী ফবা পাম্বৈদি ফুরুপ অসি সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবনা ওইগনি। মরম অদুনা মীতৈশিং মশা কঞ্জনবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা কাঙলুপ মশেল য়েংথিনবা য়াবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎফম থোক্তে হায়নসু নবশ্যামগী চেরোল অসিনা অরোয়বদা ফোঙদোক্লি।

# রোবোটিক সর্জরি সিষ্টেম হৌদোক্লে, কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌরে : ডা. সুরজকুমার

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭ (ঐচএন এস): এপোল্লো গ্লেনিগলস হোস্পিটাল কোলকতাদা রোবোটিক সর্জরি সিষ্টেম হৌদোকপগা লোয়ননা রোবোটিক এসিষ্ট কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট মশীং য়াম্না তৌবা ঙম্লে হায়না হোস্পিটাল অসিগী কন্সলটেন্ট ডা. সুরজকুমার প্রধান্না পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ডা. সুরজকুমার প্রধান্না হায়খি, এপোল্লো গ্লেনিগলস হোস্পিটালনা মীয়াম্বু হকচাং ফনা লৈনবগী মরমদা খঙহন্নবা অমদি চেকশিনহন্নবা হোৎনবদা কার্দিওলোজি অমসুং য়ুরোলোজিগী খঙ হৈরবশিংগা পুনবা সেসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সেসন অদু ডা. ত্রিদিবেস মন্দল কন্সলটেন্ট য়ুরোলোজিষ্টনা হৌদোকখি। অনা লায়েংগী লমদা থেংনরকখিবা কয়াগী মতাংদা ৱাখল লৌশিং কয়া পুথোক্লখি। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিনা ঈ-পাউ ফাওনবগী সেসনশিংদা তোঙান তোঙানবা তোপিক কয়াসু হাপচিল্লি। অনৌবা পুথোকপা থাং য়াম্না থাদবা রোবোটিক সর্জরিনচিংবগী মতাংদসু খন্নে। হোস্পিটাল অসিদা এদভান্স ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি মগুন লৈনা লায়েংবগী থবক পায়খৎপদা মাঙজিন থাবা ওইরি।

ডোক্তরশিংনসু থম্মোয়গী লায়নাশিং মীৎয়েং কয়া চঙলি। থম্মোয়গী লায়নাশিং লাকশিনবা অমদি হেন্না ফবা মওংদা লায়েংবদা মতেং পাঙবা ঙমগনি। অঙাংশিংগী মরক্তা পোকপদা লোয়নরকপা থম্মোয়গী লায়না লায়েংবদা মাঙলোমদা য়াম্না চঙশিল্লি। লায়েংবদা খুমাং চাউশিনবা অসিনা মরম ওইদুনা থম্মোয়গী লায়নাগা শাগোন্নদুনা পোক্লকপা অঙাং কয়া হিংবা ঙম্মী। লায়েংবদা খুমাং চাউশিনবসি লায়না কয়া থিংনবগী অমদি খঙদোক্লবগী য়াম্না মরুওইবা অমনি। অঙাংদা নাবা থম্মোয়গী লায়না অসি অয়াম্বনা পোকপদা লোয়নরকপা ওইনা তৌই।

হোস্পিটাল অসিদা য়ুরোলোজি দিপার্টমেন্টনা ঈশিং মরিদা নুঙ লৈবা, ঈশিং মরিগী কেন্সরনচিংবা কয়াগী লায়না খঙদোকপা অমদি লায়েংবা ফঙহল্লি। নুপীগী য়ুরোলোজি অমসুং এন্দোস্কোপিক সর্জরিনচিংবসু তৌরি। হোস্পিটাল অসিনা সোফিষ্টিকেটেদ ওইবা সর্জিকেল সিষ্টেম শীজিন্নে। ওনকোলোজিকেল সর্জরি মখলশিং রোবোট এসিষ্ট সর্জরি তৌই। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বায়দগী মশীং হেন্না রোবোট এসিষ্ট কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌরে। ওপরেসন তৌদনা কিদনি নুঙগীদমক্তা অমসুং এক্সরেদা উবা নুঙ অমা হেক্তা থুগায়বা ঙম্বা খ্বায়দগী নৌবা মেছিনসু লৈরে হায়নসু মখা তাখি।

# গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা শরুক য়াদুনা ইন্টরেক্তিব সেসন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭ (ঐচএন এস): নেসনল কাউন্সিল ফোর প্রোমোসন ওফ উর্দু লেঙ্গুয়েজনা শীন্দুনা হোটেল ইম্ফাল নোর্থ এ ও সীদা ঙসি সেন্তর ইন-চার্জ ওফ উর্দু, অরাবিক এন্দ কম্প্যুটর এপ্লিকেসন, ব্যুজিনেস একাউন্তিং এন্দ মল্টি লেঙ্গুয়েজ দি টি পি (সী এ বি এ-এম দি টি পি) সেন্তর ওফ মণিপুরগা লোয়ননা ইন্টরেক্তিব সেসন অমা পাঙথোকখ্রে।

ইন্টরেক্তিব সেসন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। নেসনল কাউন্সিল ফোর প্রোমোসন ওফ উর্দু লেঙ্গুয়েজগী দিরেক্তর প্রো. আলি করিম অমদি সোসল এক্তিভিষ্ট অফজালসু দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা হায়খি, উর্দু লোল ঙাংবা মশীং য়াম্না লৈতবা নোর্থ ইষ্টনচিংবা মফমশিংদা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি য়াম্না পাঙথোকপা তঙায়ফদে। হৌজিক লৈরিবা স্কীম অসিগী মনুংদগী বজেটকী চাদা ১০ দি এরিয়া অসিদা শীজিন্নবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, নেসনল কাউন্সিল ফোর প্রোমোসন ওফ উর্দু লেঙ্গুয়েজ অসি ওটোনোমস রেগ্যুলেটরি বোদি অমনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্চকী মখাদা লৈবা বোদিনি। মসিনা উর্দু লোলগী মতাংদা এদ্যুকেসন পীনবা মীৎয়েং থল্লি। সী এ বি এ এম দি টি পি হায়বা অসিসু নেসনল কাউন্সিল ফোর প্রোমোসন ওফ উর্দু লেঙ্গুয়েজগী য়াম্না মরুওইবা থৌরাং অমনি। ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিগী য়াম্না মরুওইবা মীৎয়েংদি সেন্তর ইন-চার্জশিংগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানদুনা হিরম কয়াদা খন্ন নৈনবা অমদি হিরম অসিগী মতাংদা তার্গেট গ্রুপশিংদা খুদোংচাবা ফঙহনবা হায়বসিনি। নেসনল কাউন্সিল ফোর প্রোমোসন ওফ উর্দু লেঙ্গুয়েজনা কম্প্যুটর এপ্লিকেসন, ব্যুজিনেস একাউন্তিং অমদি দি টি পি সেন্তরনচিংবা কয়াসু ইষ্টাব্লিষ্ট তৌই। ষ্টেট অসিদা সেন্তর ৪০ রোম লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চা মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিসু শরুক য়াখি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থবক লেপখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭ (ঐচএন এস): মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী নুপী অমা হোস্পিটালদা লৈখিদবা থৌদোক্কা মরী লৈননা পেসেন্ট পার্টিনা এটেক তৌরকখিবা থৌদোক অদুগী তুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অনা-লায়েংগী থবক পুম্নমক লেপখ্রে।

হোস্পিটাল ওঠোরিটিদগী ফংবা পাউনা হায়, অনাবা শিখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা অনাবগী কাঙবুনা চথখিবা ঈ-নাই তাবা য়াবা থৌদোকশিং অদু তরাইনা লৌবা ঙমদে। মথৌ তৌরিবা ডোক্তরশিংনা হোস্পিটালদা লায়েংবা লাকপা অনাবা খুদিংমক কনবা ঙম্বা নত্তে। মীওইবগী থৌগল তৌরিবা ডোক্তরশিংবু ক্রিমিনেল অমগী মতৌগুম্না ময়াম্না চথখিবা থৌওং অমসুং সোসল মিদিয়াদা থাগৎতুনা ডোক্তরশিংগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখিবদু লাইবক থীবনি হায়রি।

ডোক্তরশিংনা চেকশিন্দবদগী অনাবা শিবা ওইবা তারগদি মরাল লৈ হায়রিবা ডোক্তর অদুগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা ফোরমশিংদা ৱাকৎননবগী খুদোংচাবা লৈরবনি। অদুগুম্বা খুদোংচাবশিং অদু লৌবগী মহুৎতা অনাবা ময়াম অমা লায়েংদুনা লৈরিবা ডোক্তর, নর্স অমদি পেরামেদিকেল ষ্টাফশিংদা মীপাই-থাবাইবা পোকহনখিবা, হোস্পিটাল মৈ থাগে তৌবা, অনা-লায়েংবগী পোৎলম-চৈরমশিং চাইখায়দুনা মাঙহনবা, নুঙ থারক্তুনা থোঙ-থোঙনাও থুগায়খিবগী থৌওং অদু কন্দেম তৌই হায়রি। থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙরাংগী থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপীনবা হোস্পিটাল ওঠোরিটিনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা ৱাকৎখ্রে হায়রি। অমরোমদা মীহাৎ অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা অনাবা লায়েংনবা পুখৎলকখিবা নুপী অমা হোস্পিটালদা শিখিবা অদু ডোক্তরশিংনা থৌশা-ৱাশাদবদগীনি হায়না মরাল শীরি। অনা-লায়েংদা থৌশাদবা ডোক্তর অমসুং অতৈ ষ্টাফশিং থবক্তগী সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরি।

## রাইজিং দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭: সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী ৪৬ রক শুবা রাইজিং দেগী থৌরম ঙসি স্কুল অদুগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্সকী পি আর ও দিফেন্স ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থৌরম অদুদা সাইনিক স্কুলগী এলমনি মেম্বরশিং অমদি হান্নগী ষ্টাফ কয়ানা শরুক য়াখি। স্কুল অসিগীদমক কথোক্লম্বা মীওই কয়াগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

## মৈরা কৎতুনা ৱাকৎ-মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭ (ঐচ এন এস): য়ু পিগী নোইদাদা উরিপোক অচোম লৈকায়দগী চনম প্রবিশ মীশিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ুঠ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এন্দ এদহোক য়ুঠ কম্মিটি এগেনষ্ট দি দেঠ ওফ চনম প্রবিশনা শিন্দুনা ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবদা ইম্ফালগী জি এম হোল মমাঙদা মহৈরোয়শিং অমদি জে এ সীগী মীহুৎ য়াওনা মীয়াম্না মৈরা কৎখ্রে।

মৈরা কৎপগী থৌরম অদুদা চনম প্রবিশ মীশিগী ৱায়েল থেংথহনগনু, লৈঙাক্লা অচুম্বা পুথোকউ, মহৈরোয় হাৎপা য়ানিংদে হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি। মফম অদুদা য়ুঠ ফোরমগী মীওইশিংনা চনম প্রবিশ মীশিগী মতাংদা মৈরা কৎতুনা লাউবা অদু পুলিসনা অথিংবা থমখি। মতুংদা মখোয় ইম্ফালগী বি টি পার্কতা লৈবা সহিদ মিনর মখোঙদা ফেষ্টুল পায়দুনা রেল্লি চৎলগা মফম অদুদা অমুক মৈরা কৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি, য়ু পিগী নোইদাদা উরিপোক অচোম লৈকায়দগী চনম প্রবিশ কৌবা মীওই অমা শিরবা মতুংদা পোৎলোয়থোক্লম্বা লৈখ্রে।

## দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেমিনর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭ (ঐচএন এস): রাইট টু ইনফোর্মেসন ৱিক্কী শরুক অমা ওইনা ঙসি দি সী কাংপোকপীগী মল্টি পর্পজ হোলদা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেমিনর অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সেমিনর অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন ওফিসর টিঐচ ইবোবী, দি সী কাংপোকপী টি রঞ্জিৎ অমদি এস পি কাংপোকপী এম প্রদিপনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন ওফিসর টিঐচ ইবোবীনা রোল ওফ মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন টুৱার্দস প্রোভাইদিং ইনফোর্মেসন টু সিটিজন হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

একাদেমিক সেসনদা এদভোকেট ডা. সীঐচ নরেন্দ্র অমদি দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার (জুদিসিয়েল -১) এস ইনাওনা রিসোর্চ পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। রিসোর্চ পর্সন অনীনা কন্তেম্প ওফ আর টি আই অমদি রেস্পোন্সিবিলিটি ওফ পি আই ও এন এফ এ এ হায়বা টোপিক্তা ৱা ঙাংখি। ইন্টরেক্তিব সেসন পাঙথোক্তুনা সেমিনর অদুদা শরুক য়ারিবশিংগা রিসোর্চ পর্সনশিংগা ৱারী শানখি। সেমিনর অদুদা সী এস ও, এন জি ও, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসর অমদি জে এন ভি কাংপোকপীগী মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

## ওইল পম্পশিং ওক্তোবর ১৩ ...

*লামায় ১গী মখা...* লোন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি। মসি ফাওবদা সেন্টরনা তুমিন্না লৈশিল্লগদি ওক্তোবর ২৭ তগীদি মতম কক্তবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি। ফেদরেসন ওফ ওল ইন্দিয়া পেট্রোলিয়ম ট্রেদরস, ওল ইন্দিয়া পেট্রোলিয়ম দিলরস এসোসিএসন অমসুং কন্সোর্টিয়ম ওফ ইন্দিয়ন পেট্রোলিয়ম দিলরগী মখাদা লৈবা দিলর ৫৪,০০০না থোঙ লোন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়বসি মমাঙদগী হৌনা হায়দুনা লাকখিবনি।

পেট্রোল দিলরশিংনা নুমিৎ খুদিংগী পেট্রোলগী মমল লেপ্পদগী শাথীরবা খুদোংচাদবা মায়োক্লুরিবশিং অসিসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনবীননবা মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। মণিপুরদা লৈরিবা পেট্রোল পম্প অয়াম্বা নুমিৎ খুদিংগী পেট্রোল, দিজলগী মমল লেপখিবদগী থোঙ লোল্লগা লৈরি। মসিগী মরুওইবা মরমদি ঙসি নুমিদাংৱাইরম আই ও সীদগী শেল থীরগা লৈরুবা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল অদু নোংঙানবগা চৎনদবনা দিলরশিংদা শেন্দোং অকা-অকুম নাইহনবা অমদি অয়াম্বা মতমদা শেল মাঙবগী অৱাবা মায়োক্লুবগী ৱাকৎ লৈরি।

## মেদিকেল টুরিজমগী লমদা ...

*লামায় ১গী মখা...* থেংনরি। মখোয়গী মতেং লৌদুনা ফত্তবা লম্বীদা লমজিংলোইদবনি। অশোয় অঙাম য়াওহল্লোয়দবনি। অশোয়বা য়াওরকপা মতমদা মেছিন্নচিংবা থুগায়বা, ডোক্তর ফুগে তৌবনচিংবা য়াওরকপা অসি চাউখৎপগী মমী নত্তে। পেন্দবদি লৈগনি অদুবু হোস্পিটাল থুগায়রগা, ডোক্তর, নর্স ফুরগা কান্নবা করিসু লৈতে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তৌবীগনু। লোগী ওইবা মায়কৈদা য়েংবীয়ু।

খুৎতা লো পায়বগী মওং তৌবীগনু। মসিদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈরোই। চপ চাবা থবক লাক্কনি। ডোক্তর অমদি প্রোপর্টি প্রোটেক তৌবগী এক্টসু লাক্কদৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এ এস আই মণিপুর ষ্টেট চেপ্তরগী প্রসিদেন্ট ডা. কেঐচ পালিননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। রিমসকী দিরেক্তর প্রো. এ শান্ত, জেনিমসকী দিরেক্তর প্রো. টিঐচ ভিমো, এসোসিয়েসন ওফ সর্জন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি ডা. ইবেনেস বেন্সমসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা সোভিনর অমসু ফোঙখি।

## পুৱারিগী অমম্বা নুমিৎ থৌরম ...

*লামায় ১গী মখা...* পুৱারিগী অমম্বা নুমিৎ হায়না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক্কী চহী অসিদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বা পুয়া মৈ থাখিবগী অপুনবা নীংশিং লুপ (পুমানিল) কংলৈপাক্লা ঙসি থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, থোকচোম সৈত্যবর্ত্তনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপা য়াম্না কান্নে। ঐখোয়গী মাঙখিবা পুয়াশিং অমুক হন্না করম্না কল্লেক্সন তৌগদগে হায়বসি খন্নবা চঙই। পুয়া মৈ থাখিবা অসি ঐখোয়গী সিভিলাইজেসন মুথৎনবা হোৎনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা পুমানিল কংলৈপাক্কী চেয়রমেন এল ধনঞ্জয় মঙাংনা ফোঙদোকখিবদা, মতম অমদা ঐখোয়গী পুয়া ময়াম খোমগৎলগা মৈ থাখিবা অসিনা খুন্নাই অসিদা অমাঙবা ময়াম অমা থোকহল্লে। পুয়া মৈ থাখ্রবনিনা অমগা অমগা খন্ন নৈনবা অমদি খুন্নাইগী তুংগী নহাশিংগী লম্মিৎলোন, শেন্মীৎলোন মখল খুদিংগী হৌরকফম তাক্লিবা পুয়া মৈ থারবনিনা মাঙজরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অকোম লুপ কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ সোমোরেন্দ্রো, নেসনল এৱার্দি ঐচ ইবোতোম্বী খুমন, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট লৈরিকলৈমা, কে আই এলগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবী, মণিপুর পন্দিট লোয়শঙগী পানা পন্দিট লাই লোকেনসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিসর্চ স্কোলর অখাম লাঙ্গোল অমদি রিসর্চ স্কোলর অর্কাইবিষ্ট, মোইরাংচা অশোক্কুমারনা রিসোর্চ পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

## চীফ মিনিষ্টর তমেংলোংদা চৎকদৌরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭ (ঐচএন এস): চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লৈঙাক পায়রকপা মতুংদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়েংশিনবা চৎপা খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ১২ দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা চৎকনি হায়রি।

নোংমগী খোঙচৎ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা শাবা লোইশিল্লক্লবা ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চীফ মিনিষ্টরনা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শীন্নগনি হায়রি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা হেল্ঠ দিরেক্টর রাজোনা লুচিংবা হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কাঙবু অমনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অদুবু য়েংশিনখ্রে হায়রি। মরক অসিদা, থা অসিগী ৫গী নুমিদাংৱাইরম নুংবাদা ট্রক অমনা তকপদগী মপা লৈখিদবা অদুগা মচানা হিংহৌবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙসি নুংবা কৈথেলদা বন্দ চথখ্রে। বন্দ অসিনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা গাড়ী ১০০ রোম পন্দুনা লৈরি হায়রি।

## ভোটর লৈন-য়োন্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...* মরম ওইদুনা ভোট থাদবা লেপখিবা অমদি অমাঙ অতা থোকখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং থা অসিগী ৯ দা রিপোল তৌগনি। থা অসিগী ১১ দা ভোট মশীং থিগনি। মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিনগনি। ঙসি ভোট থাদনখিবা অদুদা থৌবাল অমদি ককচিংদা চাদা ৯০ গী মথক্তা ভোট থাদনখি। জিরিবামদা চাদা ৮৮ গী চাংদা ভোট থাদনখি। লমশাংদা চাদা ৯০.৬২ গী চাংদা ভোট থাদনখি। চাংচৎতা য়েংবদা পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বদা অয়ুক পুং ৮ তাবদগী হৌনা শাংনা ক্যু লেপ্তুনা ভোট থাদনখিবা থেংনখি। পোল্লিং ষ্টেসন খরদদি ৱার্করশিংগী মরক্তা উংখৎনবা অমদি খৎন-চৈনবা কয়াসু থোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খোমিদোক গান্ধী মেমোরিয়েল প্রাইমারি স্কুলদা ঈরাং কয়া থোকখি। খোমিদোক অমদি কাইরং মায়কৈদা ৱার্কর মশেলগী মরক্তা অকনবা মওংদা খৎন-চৈনবা থোক্লকপদগী পুলিস ফোর্সশিং চঙশিন্দুনা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। কাইরং ৭/১৮/৪, ৭/১৮/৬, ৭/১৮/৭, ৭/১৮/৮ তা বেল্লোট বোক্সতা ঈশিং হৈজিনবা, চে শেগায়নবা হোৎনবা অমদি পোল্লিং ষ্টেসনগী অকোয়বদা ৱার্কর মশেলগী মরক্তা চাউনা খৎন-চৈনবা থোকখি। অকনবা মওংদা ৱার্করশিংগী মরক্তা ফুন-চৈনবা থোক্লকপদগী ঈরাং অদু নমথনবা পুলিসনা তিয়ার গ্যাসনচিংবা কাপ্তুনা মীয়াম তানখায়খি অমদি ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। ঈরাং অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লৈশাংথেম এল পি স্কুল ২/৩/১৬ দা ভোট্টরগী মীংদা অশোয়বা য়াওরম্মী হায়বা ৱাহৌদা ৱার্কর মশেলগী মরক্তা উংখৎনদুনা খৎন-চৈনবা থোকখি। ক্যায়ামগৈগী পোল্লিং ষ্টেসন ১৫/১৯/২ অমদি ১৫/১৮/১ দসু ৱার্করশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোকপদগী অশোক-অপন ফাওবা থোকখি। পোল্লিং ষ্টেসন খরদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোক্লবসু চাংচত্তা য়েংবদা ৫ শুবা জেনরেল পঞ্চায়ট মীখল অসি চাং ৱাংনা ভোট থাদনখি। মীখল অসিদা মথৌ তৌরুবা পোল্লিং পর্সনেলশিং পোল্লিং মেটরিয়েলশিংগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা য়ৌনরকখ্রে। পোল্লিং মেটরিয়েলশিং বেল্লোট বোক্সনচিংবশিং ষ্ট্রোংরুমশিংদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা থমখ্রে। খরা মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী পোল্লিং পর্সনেলশিং ঙসি অথেংবদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা য়ৌনরকপা য়াওখি।

থা অসিগী ১১ দা ৫ শুবা পঞ্চায়ট মীখলগী ভোট মশীং থিগনি। ভোট মশীং থিগদৌরিবা অসিগীদমক তঙায়ফদবা থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রে। থা অসিগী ৯ দা রিপোল তৌগনি। ঙসি পাঙথোকখিবা মীখলদা নীংথিনা ভোট থাদবা ঙমখিদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অমদি ঈরাং থোকপদগী ভোট থাদবা লেপখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং থা অসিগী ৯ দা ভোট থাদনগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# গাড়ী ৫০০ রোম হুরানবদা চেন্নবা খূৎপু অমা দিল্লি পুলিসনা ফারে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): নোর্থ ইন্দিয়া অমসুং নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং, মরুওইনা নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা ওপরেট তৌবা গাড়ী হুরানবা গেঙ অমা দিল্লি পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুনা হুরানখিবা গাড়ী ৩০ রোম ফংবা ঙম্লে হায়রি।

হুরানবা খূৎপু অদুদগী পুলিসনা লেপতোপ অমা, ছো চবুন অমা অমসুং কারগী থোঙ হাংদোকপা, এঞ্জিন ষ্টার্ট তৌবদা শীজিন্নবা খূৎলায় অমদি ড্রিল্লিং মেছিন ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা গাড়ী হুরানবগী থৌওং চথবা খূৎপু অসিগী মীওই ১১ পুলিসনা ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদু মহমদ শিবু, অমির, সাফিক, মহমদ অর্জাদ অলি, ৱাই এম সবির অহমদ (মণিপুরদগী) অসরর হুসেন, কেৱল কমল, বিনয় কুমার, তরুন সিওরাম, রাকেশ কুমার অমসুং চুনি ভাই মোবালিয়া কৌই হায়রি।

মীওই খূৎপু অসিনা গাড়ী হুরাল্লগা অতোপ্পা মফমদা য়োন্থোকপগী থৌওং চথৈ হায়রি। মখোয়না হুরাল্লকপা গাড়ীশিংগী এঞ্জিন অমসুং চেসিস নম্বর শেমদোক্লগা অতোপ্পা মফম অমদা পুদুনা য়োন্থোকপগী থৌওং চথরম্বা থেংনখি। হৌজিক ফাওবদা খূৎপু অসিনা চহী ২গী মনুংদা এস য়ু ভি ফোরচুনর অমদি ইনোভা য়াওনা কার ৫০০ হেন্না হুরাল্লগা য়োন্থোকখ্রে হায়বা ৱাহং-পাউহং তৌবদগী খঙবা ঙম্লকখি।

এদিসনেল কম্মিস্নর ওফ পুলিস (ক্রাইম) অলোক কুমারনা হায়খি, গাড়ী হুরানবা খূৎপু অসিনা কাঙলূপ অহুম থোক্লা খায়দোক্লগা মীয়াম্না ফাবা ঙম্লোইদবা মওংদা অরোনবা থৌরাং কয়া চথরম্বা থেংনখি। অহানবা খূৎপু অমনা গাড়ী হুরাল্লগা অনীশুবা খূৎপু অদুনা এঞ্জিন অমসুং চেসিস নম্বর শেমদোকপগী থৌওং চথৈ। অহুমশুবা খূৎপু অদুনা হুরাল্লকপা গাড়ীশিংগী চে-চাং শেমদোক্লগা অতোপ্পা মফমদা পুদুনা য়োনবগী থৌওং চথৈ।

হৌখিবা মার্চ থাদা পঞ্জাবকী অমৃতসরদগী গাড়ী হুরানবা খূৎপু অমা ফারগা ৱাহং-পাউহং চথবদা অতৈ অতোপ্পা হুরানবা খূৎপু কয়াসু দিল্লিদা মরাং কায়না লৈ হায়বা খঙলকখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# মাওদগী দিমাপুর তম্না পুরকপা লুপা লাখ ৫০ রোমগী গঞ্জা কোহিমাদা ফারে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা নাগালেন্দগী পুলিসনা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা মাওদগী দিমাপুর তম্না পুনবা পুরকপা লুপা লাখ ৫০ রোমগী গঞ্জা ফারে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না, গঞ্জাশিং অদু কোহিমা পুলিসনা রুটিন নাইনা পেসামাদা চেক তৌবদা ঙসি অয়ুক পুং ৬ লোম তাবদা মীওই অনীদগী ফাবনি হায়রি। সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসর সাউথ আর্টু দিঙ্গুনা ফোঙদোরকপদা, হায়রিবা গঞ্জাশিং অদু মাওদগী দিমাপুর তম্না পুরকপদা ফাবনি। গাড়ী অদুগী ড্রাইভর অদু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তদুবীদগীনি। মহাক পুলিস কষ্টদিদা মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথনবগীদমক থমখ্রে হায়রি। গাড়ীদা পুরকপা গঞ্জাশিং অদু মাও এরিয়া অমদা লোদ তৌরগা পুরকপনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মখোয়না গঞ্জাশিং অদু দিমাপুর তম্না শেল পীরগা পুহনবনি হায়না পাউগী লীখুন অসিনা মখা তারি।